
থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মীওইবা - মেছিন মখল অমরা ...? (২)



মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা মখলদুগী মনুংদা ঐসু অমনি। কনাগুম্বা অমনা মীওইববু 'মেছিন মখল অমনি' হায়রম্লে হায়দুনা ঐ হেক্তা য়াগদ্রা? য়াবা তারবসু মরম অদু ইশানা সেটিসফাই ওইজবা তাই। ঐখোয় ইশানা ইশাদা অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংলুসি। ঙসি ঐনা নোং-ফুং ঙানবদগী হৌজিক হায়বা মীকূপসিফাওবদা তৌরক্লিবা থবকশিং - ঙরাং শুকতৌ তৌখিদবা, ঙসিদা পুমনৌ নৌনা তৌরকপা... কনানসু খনখিদবা ৱাখল, ঐনা ঙসিতা খল্লকপা, কনানসু ঙাঙখিদবা ঐনা ঙসি ঙাঙলকপা কয়া য়াওবগে? অমুক্তা মুন্না খন্থবীয়ু। খঙলক্কনি - পূন্নমকসিদি ঐহাক অমসুং ঐহাক্কুম্বা ময়ামসিনা নুতি নুমিৎ খুদিংগী হঞ্জিন হঞ্জিন তৌরিবদু ঙাক্তনি। খরা তোয়না তৌরবা থবক্তুবু 'খূৎলোয়রবা থবক' কৌরিবসিনা তাকই - ঐখোয়না তৌরিবা থবকসি তৌরিবা অমদুদা হঞ্জিন হঞ্জিন তৌবনি। ঐনা তৌবা তন্থরল্লগা অমদা অমুক তন্মীরম্বনি। চুরুট থকপা হৈনখ্রবা মীশক অদুনা তৌফম খঙলক্ত্রবা, নর্ভস চৎলবা মতমদা ফুরিৎখাওদগী চুরুট লৌথোক্লগা মৈখেৎ খেত্তুনা চম্লগা ফুৎ-ফা মৈখু অদু চিংশিল্লগা কামথোক্তুনা শান্নবা। এক্সন অমদি রিএক্সনদুনি। মীওইবনা তৌরিবা থবকসু এক্সন অমগী রিএক্সন্দু' ঙাক্তনি। এক্সন অমগী রিএক্সন নত্তবা, এক্সন'দুদা রেস্পোন্দ তৌবা ঙম্লবা মতমদুদনি মীওইবনা মেছিন ওইবা তোল্লক্কদবা।

অমনা তৌবা থবক্তু, মতৌ তম্মি খঙদনা অমনা অমুক হঞ্জিন্না তৌরকপদু নত্তবা, অনৌবা এটমোসফ্যের অমা শেমগত্তুনা, মান্নদবা মওং অমদা মান্নদবা ৱারী লীরিবা, ইংরাজি ৱাহৈদা ক্রিয়েটিব রাইটিং হায়নবদু, অইবা ওইনা ইথোক্লুবা নত্তবা, ইশাদা অমুক্তং পানশিন্দুনা য়েংসি।

নোংমগী তৌফম থোকপা ঈথৌ তৌরুরগা, পাঙফম থোকপা শিন্থা পাঙলুরগা, য়ুমদা ঙন্তা হঞ্জিন্দুনা ইমুং-মনুং, ইচা-ইশুগা লোয়ননা চামিন্নবা-থকমিন্নবা, নুংঙাইবা ৱারী শাদুনা লেনমিন্নবা পুন্সিদু মহাও য়াওদবা পুন্সিনি খন্দুনা, অতোপ্পা থবক কয়া অমা তৌদুনা নুংঙাইবা থি-নুপাসু নুপীসু। হায়দোকপা য়াদবা অরোনবা থবক তৌই। অমনা অমবু মীনম্মি। শেমজিন-শাজিনবা ৱাহৈ কয়াগী মতেংনা অরোনবদু লোৎশিল্লি, অরানবনা অচুম্বা ওইহল্লি। ঐগী শেমজিন-শাজিনবা ৱাহৈদু, ঐগী পুন্সি-খোঙলোয়দুনা অচুম্বনি লৌখিবা, অমনা অমদা তৌনবা নমথাক খঙহন্দনা লেনবা পুন্সি মরেলদুনি-মায় পাক্লবা য়ুম্বান পুন্সি।

অদুবু, ঙসিদি নহানমখৈগা মান্নদবা তোপ-তোপ্পা লীচৎ অমা চৎপিয়ু। নুমিদাং থেংনা হঞ্জিল্লুবদুদা অদোমগী নুপীনা হংলকপা 'অসুক থেংলবফাও কদায়দা করি তৌরুগে' হায়বা ৱাহংদুগী শেমজিন-শাজিনবা পাউখুম নত্তবা অচুম্বা, অশেংবা পাউখুমদু অমুক্তা খুমদোকপিয়ু ... 'ঙসিদি ঐ, অতোপ্পা নুপী অমগা চামিন-থকমিন্নদুনা নুংঙাইনা লেনমিন্নরুরে' ...। নৎত্রগা, অদোমগী মীৎয়েং নায়েং, মওং মতৌদুদা চিংনবা পোল্লবা নপুরোইবনা হংলকপা 'ঙসিদি নঙ, হান্নগা ইমান মান্নদে, শেংনা হায়য়ু কাদায়দা কনাগা চৎমিন্নরুই' হায়বদুদা অমুক্তং থৌনা ফনা খুমদোকপিয়ু ... 'নঙনা নুপা থোক্লা ইমুং পুবা ঙমদবদগী শোকচিল্লক্লিবা য়ুম্বান অসি কিন্থদনবা, মমল লৌরগা অতোপ্পা নুপা অমগা হীপমিন্নরুই'...।

অদোম্না উৎখিবা এক্সনদুদা অদোমগী নুপী নৎত্রগা নুপাদুনা করি রিএক্সন উৎলক্কনি ? ৱাখলনা অমুক্তা শাগৎপিয়ু। মহাক্না উৎলক্কদৌরিবা মতৌদু 'রিএক্সন'লা ? নৎত্রগা 'রেস্পোন্স'লা? ঐহাক এক্সপার্ট নৎচদে। পাউখুম্বীয়ু ইশানা। মতাংদুদা অদোম, মেছিন অমগুম রিএক্ত তৌগদ্রা ? নৎত্রগা, মী অশেংবা অমগুম ....। ঐগী ৱাহৈ লৈতরে।

মেছিনগুম হিংবা পামদবা মীওইবা খুদিংমক মহাক্না হিংমিন্নরিবা মী পুন্নমক্তগী-মচাদগী, মশুদগী, মমাদগী, মপাদগী, মরুপ্তগী, মপাংদগী ... তাইবংপানসিদগী করিগুম্বা খরা পীরক্কনি, করিগুম্বা খরা ফংগনি হায়না আশা তৌই। আশাদুদনি মীওইবনা হিংলিবা। ঐনা আশা তৌরিবদুগুম ঐঙোন্দগীসু আশা তৌরিবনিনা, অরোইবদা ঐনা করিসু ফংলোই হায়বসিমদি - ঐসু খঙদে, নঙসু খঙদে, মাসু খঙদে।


ঐখোয়না হেক খঙলকঙৈদগী সনা-লুপা-নীংথিবা-ফিজে ালতনা লৈতেংলবা কৃষ্ণ অমসুং রাধাগী ফজবা শক্তমদুতবু খ্বাইদগী ঙম্বা, পুমঙম ঙম্বা ঈশ্বরদুগী শায়োন্নি খন্দুনা লাকই (কৃষ্ণ অবতার)। মাগী মমাং, মোমোন নোকপা, চীং-লেম্বা রাম অবতারদুবু নমহৎখি, সনা-লুপা-মনি-মুক্তনা লৈতেংবা শক্তম ওইবনা। অদুবু, মশাদা মফি থোংদবা মিতম অমা থুংলখি, মাবু লাইনি লাৎনরকখি, পুন্নমকপু ঙকহনখি। অবতার অমনি শোন্নদ্রবসু ভগবান মহাবীর মিংগৌনরকখি।

করিগী মাবু ভগবান মিংগৌনখিবা। মঙোন্দগীদি মীয়াম্না করিসু আশা তৌখিদে মহাক্নসু করিমত্তা পীরমখিদে। অচুম্বা অমসুং অহিংসা মশক তাক্লম্বতনি। মহাক্তি মেছিন ওইখিদে।

লৌশিং পুক্কে

# অঙাংবা মঙালদা মিনিট ৩খক্তং য়েংবনা চহী য়াম্লবা মীওইশিংদা মীৎ উবা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনগৎহনবা ঙম্লে: স্টদি

অঙাংবা মঙালদা মিনিট ৩খক্তং য়েংবনা চহী ৪০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা মীৎ উবা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনগৎহনবা থেংনরে হায়বা স্টদি অমদগী খঙবা ঙমখ্রে।



স্টদি অসিগী মতুংইন্না মীৎমাঙদা অঙাংবা মচুগী অখন্নবা মঙাল অমা থম্বদা চহী য়ামশিল্লকপগা মরী লৈনবা মীৎ উবগী চাং হন্থরকপবু ফগৎহনবদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা থাজবা থল্লি। স্টদি অদু তশেংনা মায় পাক্লে হায়বমক্তি য়াদ্রি। অদুবু পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মীৎ উবা ঙম্বগী ফিভমদা ফগৎলক্লিবা অদুদি তশেংনা পুক্লীং থৌগৎনিংঙাইনি হায়না রিসার্চরশিং অদুনা ফোঙদোক্লি।

স্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা য়ু কেগী য়ু সী এল ইনষ্টিট্যুট ওফ ওপথালমোলোজি প্রোফেসর গ্লেন জেফরিনা হায়, ঐখোয়না চহী য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা মাইটোকোন্দ্রিয়াশিং অসি মথৌ নিংথিনা তৌবগী চাং হন্থরকই।

জর্নেল ওফ জেরোন্টোলোজি: বাইওলোজিকেল সাইন্সেসতা পল্লিস তৌরকখিবা স্টদি অদুদা মশাগী চহী ২৮দগী ৭২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মশা-মঙ ফরিবা নুপা-নুপী পূন্না ২৪না শরুক য়াখি হায়রি। ঐখোয়গী মীৎ উবা ঙম্বগী পাঙ্গল অসি চহী ৪০ শুজিল্লকপা মতমদগী ময়েং তাবা হৌরকপা মরম্না পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মরক্তা মশাগী চহী ৩৮ হেল্লবা পার্টিসিপেন্ট ১২বু অহলগী কাঙলূপতা চলহল্লি।

পার্টিসিপেন্ট খুদিংমক্তা ৬৭০ নানোমিটরগী ৱেভলেংথ ওইবা অঙাংবা মচুগী মঙাল পুথোকপা, খূৎনা পায়বা য়াবা অপীকপা ফ্লাসলাইট অমমম পীরম্মী। পার্টিসিপেন্ট খুদিংমক্না চয়োল অনী চূপ্না নুংতিগী অয়ুক খুদিংগী মঙাল অদুদা মিনিট ৩-৩ য়েংলম্মী। অসুম্না তৌহল্লিবা অসি থৌওং অসিনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মাইটোকোন্দ্রিয়া নৎত্রগা সেলশিংগী পাৱরহাউসশিংবু ফগৎহনবরা, অমদি অহল ওইশিল্লকপগা মরী লৈননা মীৎ উবগী পাঙ্গল হন্থরকপবু ফগৎহনবা ঙম্বরা হায়বা চাংয়েং তৌনবগীদমক্তনি।

চাংয়েং অদু তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা রিসার্চরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী উবা ঙম্বগী পাঙ্গল এগজামিন তৌদুনা য়েংবা মতমদা চহী ৪০ অমসুং মথক্তা লৈবা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী রেটিনাদা য়াওবা রোদ অমসুং কোন কৌবা ফোটোরিসেপ্টর অনীগী পর্ফোমেন্স য়াম্না হন্থরম্বা থেংনখি। রোদ অমসুং কোন হায়রিবা ফোটোরিসেপ্টর অনী অসিনা মঙাল প্রোসেস তৌবদা মতেং পাংই।

হায়রিবা চহী কাঙলুপ অসিগী মনুং চনবা পার্টিসিপেন্টশিংদা অঙাঙবা মঙাল য়েংহনবদা মখোয়গী, তোঙান তোঙানবা মচুশিং খন্দোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল - মরুওইনা চহী য়ামশিল্লরুগা শোকচিল্লকপা হীগোক মচু খন্দোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু - চাদা ২২ রোমগী চাংদা ফগৎলকপা থেংনখি।

অদুমওইনমক, নহা ওইরিবা পার্টিসিপেন্টশিংদদি টেক্নিক অসিগী ইফেক্ট অমত্তা লৈরমদে। অমদি পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মরক্তগী কনা অমত্তনা উবা ঙম্বগী ফিভমদা অহোংবা থেংনখিবগী রিপোর্ট তৌরকখিদে হায়না রিসার্চরশিংনা হায়রি।

স্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা পার্টিসিপেন্টগী মশিং য়াম্না য়ামদবা মরম্না ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা সেলশিংনা মথৌ তাবা পাৱরশিং মাইটোকোন্দ্রিয়াশিংনা পুথোকই, মরম অদুনা মখোয়বু সেলশিংগী বেট্টরি হায়নসু খঙনৈ। মাইটোকোন্দ্রিয়াশিংনা মথৌ নিংথিনা তৌরক্তবা মরম্না মীৎতা য়াওরিবা সেলশিংদা ইনর্জি ৱাৎলকই অমদি ঐখোয়গী উবা ঙম্বগী পাঙ্গলদা শোকচিল্লকই।

রিসার্চর টিম অসিনা হয়িং, খোই অমদি উচিদা চথখিবা হান্নগী স্টদি অমদা অকক্লবা ৱেভলেঙথ লৈবা অঙাঙবা মঙালনা মাইটোকোন্দ্রিয়াশিংবু চার্জ তৌহল্লি অমদি উবা ঙম্বগী পাঙ্গল ফগৎহল্লি হায়বা উৎখ্রবনি।

অনৌবা স্টদি অসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুদা হায়রিবা অঙাঙবা মঙাল অসিনা অকনবা শাফু পীবা, য়াম্না থুনা মথৌ তৌরকপা, অমদি চাংয়েং অদু য়াম্না চম্না পাঙথোকপা য়াবা মতৌ অদুদা প্রো: জেফরি অঙকপা পোকখি।

মহাক্না হায়, ৱেষ্টর্ন পোপ্যুলেসনশিং অসি থুনা অহল ওইশিল্লকপগী চাং হেনগৎলক্লি, মসি তুংদা য়াম্না চাউবা ইস্যু অমা ওইরক্কদৌরি। খুদোংচাদবা অসি থেংননবগীদমক ঐখোয়না শেম শাবা মথৌ তাই। হকচাংগী অতৈ কয়াৎশিংদগীদি মীৎকী রেটিনানা থুনা অহল ওইশিল্লকপগী চাং হেল্লি। ঐখোয়গী মীৎ অসিনা নীংথিনা উবা ঙমদ্রবদি লাইরিক ময়েক পাবা অমদি টি ভী য়েংবা ঙম্লোইদৌরিবনি। মীৎ উদবা অসিনা মরম ওইরগা তুশিন-খোৎচিনবা অমদি শরূ তেকপনচিংবসু য়াওরক্কনি। ঐখোয়গী স্টদি অসিদা শীজিন্নরিবা মঙাল, অমদি মসিবু চহী য়াম্লবা মীওইদা শীজিন্নরিবা অসিনা মীৎ উদবগী খুদোংচাদবা কয়া অসি থেংননবগী মায়কৈরোমদা থাংজিল্লকপা খোঙথাং অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

অদুমওইনমক, জেফরিনা হায়, হৌজিকমক্কী ওইনদি হায়রিবা থৌওং অসি পাঙথোক্লুবগীদমক মীয়াম্না লৈবা য়াবা মতীক চাবা খূৎলাই অমত্তা লৈত্রি। মরম অদুনা মীয়াম্না কৈথেলদগী নৎত্রগা ওনলাইনদগী অঙাঙবা লাইট অমা হেক্তা লৈরগা শীজিন্নবিগনু। শীজিন্নগদৌরিবা লাইট অদু পুথোকফম থোকপা ৱেভলেঙথ চপ চানা পুথোক্কদবনি অমদি অশেংবা থাজবা য়াবা পোৎশক ওইগদবনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**মোইরাংথেম ওপেন্দ্রো, নম্বোল সাবল লৈকায়**

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্না লোকদাউন তৌদুনা অচৌবা কৈথেলশিং হাংবা য়ারোই হায়না থিংখ্রবসু মণিপুরগী মফম খরদা অহিং থেংনা কৈথেল কাবগী চৎনবী অমা তৌরক্লিবা অসি খন্থরুবদা কিনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি। অহিংদা কৈথেল কান্নরিবা অসিদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎনবগী মমিসু উবা ফংদে। মীওই অয়াম্বনা ফেস মাস্ক উপ্পসু থেংনদে। কোরোনাভাইরস শন্দোরকপদা অয়ুক, নুংথিল অমদি অহিংগী মতম লোয়ননা অচৌ-অশাং, লায়রা ইনাকখুনবা খায়বা নত্তে। হিংদববুদি য়াদে অহিংদা কৈথেল কানরবসু পোৎ য়োলিবা অমদি লৈরিবা মীওইশিংনা ক্রিক-ক্রিক ইন্নবগী থৌওং তৌহন্নিংদে। অসিগুম্বা ফীভমদা লৈরবদি হেল্থ ৱার্করশিংনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা ৱানা হোৎনরিবা পুন্নমক কান্নফম লৈররোই। মীওই অমনা করিগুম্বা ভাইরস অসি পুদুনা কোয়চৎ-কোয়চৎ চৎলবদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি কৈরোল লৈকায় পুন্নমক অৱাবদা তারক্কনি হায়বসি খন্থবিবা ফগানি। লৈবাক অসিগী গ্রিন, য়েলো অমদি রেদ জোন ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা মফম কয়াদগী মীওই কয়া লেপ্পা লৈতনা লাকপা মরমনা তুংদা করি ওইরক্কনি হায়বসু তম্বা ঙম্বা নৎত্রি। মতম খরা ৱাবগা পুন্নমক তুম্না মাংমিন্নবগা করম্বনা হেন্না ফৈ হায়বসু খন্থবিয়ু। কৈথেল ফম্বা লেপ্পল্সি হায়বা নত্তে, ফম্লবসু চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লসি হায়বনি।



**য়ূন্নাম অমুসনা, লাংমৈদোং অৱাং লৈকায়**

মতম শাংনা লোকদাউন চৎথরকপনা মীপুম খুদিংমক খম থেংনা ৱানরে। থবক-শুফম লৈতবনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা হিংবা ঙম্বা হায়বদু ওইদ্রে। অদুমকপু মীয়ামগী য়াইফনবা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী থবক ওইবনিনা মীয়াম্নসু কাঙলোন ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই। অদুমকপু অৱাবশিং অসি খরমখৈ ওইরবসু কোকপা ঙম্নবা ইন্টর ষ্টেট বস সর্ভিস হৌগনি হায়বা অসিগুম্না দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগীসু ওটো নৎত্রগা মেজিক সর্ভিস তাংকক নাইনা তৌবা য়াবগী অয়াবা পীবিরবদি গাড়ি থৌদুনা শেল তাল্লম্বা দ্রাইভরশিংগী অৱাবা খরদংদি কোকহনবা ঙমগদ্রা হায়না খল্লি। লোয়ননা লোকদাউননা মরম ওইদুনা ৱানা লৈনরিবা তানফম অসিদা লমদম অসিগী ললোনবশিংনা কোরোনাগী মিংদা পোৎচৈ তাংনা য়োল্লিবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না অকনবা এক্সন লৌখৎহন্নিংই। নৎত্রবদি মীচম মীয়াম হিংবদা অৱাবা হায়বদু ওইরে। হৌখিবা মতমদা লোকদাউন মনুংদা পোৎচৈ য়োনবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়খিবা লৈখিবদু ঙসি ফাওবদা এক্সন লৌখৎখিবা থেংনদে। মরম অদুনা অসিগুম্বা অরানবা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা চৈরাক পীবিয়ু হায়জরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): সঙ্গীত নাটক একাদেমী অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, মণিপুরগী শেন্থং মখাদা চহীসিগী মার্চ ১দগী চথুরকখিবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন থাঙ চুঙ্গোই হাইবা লোইশিনবগী থৌরম হাওবম মরক ইরোম লৈকায় ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি হায়না কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপকী সেক্রেটরি চিংথাম রঞ্জিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নহারোল য়াইফ লমজিংকোল শঙলেন হাওবম ইরোম লৈকায়দা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা চুমথাং শান্নপুংগী মেনেজিং দিরেক্টর সোরাইশম ওংবী কেবী, প্লেরাইট বুধ চিংথাম অমদি ডা. মখোনমনি মংশাবা, মেম্বর এন ঈ জেদ সী সীনা অথোইবা লেংবীরকপা, থৌরম মপু অমদি অথোইবা মীওই ওইগনি। থৌরম অসিদা শরুক য়াগদবশিং কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্কনি। ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা থৌরাং তৌগনি। কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপকী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সেল আর্ট মিটতা বোইজ টিমগী চেম্পিয়ন অমদি ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন লৌরকখিবশিংসু ওক্কনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০৭।২০২০ ইং, ইরাই; নুংথিল পুং ১.১৮ ফাওবা ইঙেলগী ১৩ নি পাল্লি, মতুং ১৪নি পানগনি।

**মেষ :** লাইবক ফবা ৱাৎপা, ৱাখলগী পাঙ্গল শোনবা অমদি থৌনা ফুদোকপা ৱাবা নুমিৎনি। থৌরম শিন্দোকপদি হৈবা, য়েক্লববু লাকশিনবা, পল্লম্বা শেল ফংবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** লাইবক ফবা ঙসিসু লৈ, অফবা মফম ফংজবা, খন্থরগা পাংবা থৌ মায় পাকপা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। নচা-ননাই অমদি নথক থোংবনদি য়েৎপা পীরি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** লৌশিং চাওবা, মায় পাকপা অমদি পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। মীৱা লৌরদি কিবা পোক্কনি, থাজদনা নক্লবনা অয়েৎপা পীগনি।-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীচং লৈগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** মীকোক থোংবা ৱাগনি-অনম তানগনু অমদি মতম মাঙদনবা হোয়া ফগনু। মরুপকী মতেংনা শেল-থুমদি ফংগনি অমদি থৌনা লৈবনা অঙম্ববু লাকশিজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** লেংদবা লন ফংবৈ নুংঙাইজবা অমদি পন্দুনা লৈরম্বসু কোকচবা লৈগনি। অশাওবনা মরম ওইদুনা মরুপ-মপাং কাইনবা অমদি নুংশা থিবা নংগনি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** য়েক্লবনা য়েংশিনবা, থিবা হুম্বা ৱাৎপনা নচা-ননাইগা ৱাখল তান্নদবা অমদি হুরানবনা থবক্তা য়ৈখাই থিনগাইবা পীবা লৈগনি। লাইবক ফবনা কান্নবদি ফংই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল মরাং-মরাংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** মীকোক থোংবা ৱাবনা ৱাখল মওল-মওল খল্লক্কনি অমদি নথক থোংবগা অনম তানবা য়াবা লৈ। মীয়াম্নদি য়াগনি অমদি মখোয়গী মরুম থুপ্পা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** ৱাখল নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি অরং-অরাক ফংবা অমদি ঙাঙ-শকপা হৈবা নুমিৎনি। অশাওবা ফাথরবা অমদি ঐনা মতোল্লে খন্না চৎলবা মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি খাংবা কন্দবনা মাঙজবতা নংগনি। লৌশিং চাউবা মীগী পাউতাক কাউগনু অমদি নাইতোম অরুবা পো কাংগনু। য়ারদি তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পংশিন্নবা কান্নগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মকর :** ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা অমদি অনৌবা থৌরমদা থৱায় য়াওশিনবা য়াম্না কান্নগনি। মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি খল্লুদবা মরমদগী কান্নবা ফংগনি-খুৎচাও থাহৌরো।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী চাওখৎকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** মীপাইবা কোকচদুনা অনীংবা থবক পাংগনি, লল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি, লাই-গুরুনা চানবীগনি। মরুপকী মতেং ফংবৈ নুংঙাই। অশাওবনদি মাঙহল্লি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** থৌনা ফবা য়ারোই অমদি শোক-পনবা নংগনি। ইমুং-মনুং অমদি মরুপ-মপাংগী ৱা তাবনা থোইদোক্না কান্নবা ফংজগনি। হন্থবদি লোয়নগনু, খুৎচাও থাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থাগৎপিগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

## মেমোরিজ ইন দি সেল

*প্রেমানন্দ নোংথোম্বম*



Premananda Nongthombam is a visual storyteller.